# ২০২১ আই এন বি এ টাইৱান নেসনল

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

কোভিদ-১৯ লাইচৎ লৈদুনসু মমাঙগী কুমজা ২০২০গী জুলাই ৪দা টাইৱান্দা নেচরেলগী ওইবা মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবা - INBA TAIWAN NATIONAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP পাঙথোকখিবগুম হন্দক্কী কুমজা ২০২১গী ওইনসু আই এন বি এ টাইৱান নেসনল লাক্লিবা জুন ২৬তা পাঙথোক্লগনি হায়না আই এন বি এ টাইৱান ওফিসনা লেপখ্রে। হায়রিবা নেচরেল ওইনা শান্নজবা, হায়বদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা থিংনবা পোৎলমশিং steroids, hormones, performance enhancing drugs অমদি অতৈ থিংলবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নদনা শান্নজবা মশা-মউ ফবগী শান্নরোয়শিংগী চাংদম্নবা আই এন বি এ টাইৱান নেসনল অসি চহী খুদিং পাঙথোক্তুনা লাকপনি। হন্দক্কী কুমজা ২০২১গী জুন থাগী তাং ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা মরিশুবনি।

মমাঙগী কুমজা ২০২০দা পাঙথোকখিবা ২০২০ আই এন বি এ টাইৱানদা শান্নরোয় মশীং তানা লাক্কদ্রা খল্লুবনি কোভিদ-১৯ লাইচৎ লৈখিবা অদুনা। অদুবু ঐখোয়না খল্লুবগী ৱাংমদা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা অনীরকশুবা আই এন বি এ টাইৱান নেসনলদা লাকখিবা শান্নরোয় মশীং অদুগী শরুক অনী হেন্না লাক্তুনা য়াওরখি চাংদম্নবা অদুদা। হন্দক্তি কোভিদ-১৯ লাইচৎসু খরা নেমথরবনিনা মমাঙ চহীদগী শান্নরোয় মশীং অমুক হেন্না লাক্কনি হায়না থাজনরি। থা অহুম হেন্না ৱাৎলি আই এন বি এ টাইৱান নেসনল পাঙথোক্কদবা অদুবু নুমিৎ মরিনি খক্তা ঙাইরি চাংদম্নবা অসিগী ফোর্ম থাখিবা। নুমিৎ মরিনি অসিদা নেচরেল ওইবা শান্নরোয় কয়া ফোর্ম লৌনখ্রে।

আই এন বি এ টাইৱান নেসনল, টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা নেসনলগী ওইনা পাঙথোকচরগসু হায়রিবা চাংদম্নবা অসিদা অতোপ্পা লৈবাক কয়াদগী নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিং লাক্তুনা য়াওরবা য়াগনি। মসি ঐখোয় আই এন বি এ পি এন বি এ ৱর্ল্ডগী চৎনবিনি। নেসনল পল্লি হায়দুনা লৈবাক অসিদা লৈবা শান্নরোয়শিং খক্তগীদি নত্তে। অমরোমদা হায়রগদি নেসনলগী মীংদা পাঙথোক্লগা ইন্টরনেসনল লেভেলদা পাঙথোক্ল গা ইন্টরনেসনল লেভেলদা পাঙথোকপা হায়বা তারে। খুদম ওইনা হায়রবদা য়ু এস এদা, নৎত্রগা য়ুরোপকী লৈবাক অমদা পাঙথোকপা নেসনল লেভেলগী চাংদম্নবা অমদা ঐখোয়সু চৎতুনা য়াওরুবা অদুম য়াই ঐখোয়না শেল থুমগী ফীভম চারবদি। অদুনা টাইৱান্দা পাঙথোক্লিবা আই এন বি এ টাইৱান নেসনলদসু অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকই।




টাইৱান্দা আই এন বি এ টাইৱান পাঙথোকপগুম, ইন্দিয়াদসু আই এন বি এ ইন্দিয়া পাঙথোকপা হৌখ্রে মমাঙগী কুমজা ২০১৯দগী আই এন বি এ ইন্দ্রিয়া ওফিসল্লি লোঞ্চ তৌদুনা। কুমজা ২০১৯দা আই এন বি এ গ্লোবল এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ফম পুবিরিবা ইংলিসকী প্রোফেসর ওইনা টাইৱান্দা থবক তৌবীরিবা ডা. ঙাংবম শান্তিকুমার মীতৈনা আই এন বি এ ইন্দিয়া ওফিসল্লি লোঞ্চ তৌখিবনি কর্ণাটাকাগী বেঙ্গলোর সিটিদা। আই এন বি এ ইন্দিয়া হেক লোঞ্চ তৌবা থা অমগী মতুংদা আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলসু পাঙথোক্তুনা নেচরেল ওইনা শান্নজবা নেচরেল শান্নরোয় কয়াদা নেচরেলগী চাংদম্নবগী ফন্বাক খুদোল তমজখিবনি। লোয়ননা, আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলগী মথক্তা মালেমগী থাক্তা অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ওক্টোবর থাদা কর্ণাটাকাগী বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবনি য়াম্না মায় পাক্লা। আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলদা ইরমদম কংলৈপাক্তগী লাকখিবা নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংনা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মেদল ফংবা টিম চেম্পিয়ন ওইখি অদুগা য়ূম্বু কর্ণাটাকানা অহানবা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। অদুবু ঐহাক্না খল্লুবগী ৱাংমদা ইরমদমদগী লাকপা শান্নরোয়শিং খ্বাইদগী মেদল মশীং য়াম্না ফংবা, প্রোফেসনেল কার্দ মশীং য়াম্না ফংবা অমদি ওভরওল মীংথোল মশীং হেন্না ফংবা টিম ওইদুনা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনলদদি ওভরওল টিম চেম্পিয়ন মীংথোল ফংবা ঙমখিবনি।

হায়রিবা আই এন বি এ (ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন) গী খোঙজং অসি (নেচরেল মুভমেন্ট) ইরমদম কংলৈপাক্তদি কুমজা ২০১৭তা ঙন্তানা য়ৌখ্রবনি। আই এন বি এ গ্লোবল এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ফম পুবিরিবা, ডা. ঙাংবম শান্তিকুমার মীতৈগী লুচিং মখাদা কুমজা ২০১৭তা LEGENDARY MR. MAIPAK AND DR. NGANGBAM MEETEI NATIONAL LEVEL NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" কৌবা নেচরেলগী চাংদম্নবা অসি পাঙথোকখিবনি ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা। হায়রিবা চাংদম্নবা অদুদা নৌরিবা অঙাং শান্নরোয়দগী হৌরগা অহল ওইরবা শান্নরোয় ১০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা য়াম্না মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখি। চাংদম্নবা অদুদা ইরমদমগী মশা-মউ ফবা পামজবা ইরৈচা কয়া অমসু লাক্তুনা ওদিটোরিয়মদু পিক থন্দুনা ফম্ফম লৈতবদগী হোল মনুংগী লম্বী চৎফম ফাওবা ফমদুনা য়েংনখিবনি।

চাংদম্নবা অদুদা য়ুরিন খোমগৎতুনা দ্রগ টেষ্টিং তৌখি। য়ুরিন খোমগৎপদা অসামদগী লাকপা শান্নরোয় অমদি য়ুরিন পীয়ু য়াদবদগী খুদক্তা দিসক্কালিফাই ওইহনখিবনি। মদুগী খোঙথাং অদুদা লাকপীখিবা ইরৈচা কয়ানা খূবাক হৌনা হৌনা খুবীখি। মসিনা তাকপদি লাকপীখিবা ইরৈচাশিংনা নেচরেলগী খোঙজং অসিবু য়াম্না তরাম্না ওকপী হায়বদু তাকপনি। ওকফমসু থোকই। খুন্নাই অমা চাওখৎহনসি, মাঙদা পুশিনসি, তিঞ্জং কায়জংদনা থমসি হায়রবদি মীওই খুদিংমক, মরু ওইনা হৌরক্লিবা নহারোলশিং, মহৈরোয়শিং মশা মউ ফনা থম্বা মথৌ য়াম্না তাই। অঙাংশিং, নহারোলশিং অমদি অহলশিংবু মশা মউ ফনা থম্বা হায়বসি আই এন বি এগী পান্দম অমনি। শান্নবা লোইনমক মশা-মউ ফহনগনি হায়বা লৈতে, মরু ওইনা শান্নরোয়শিং অদুনা চাহৈদবা পোৎলমশিং শীজিন্নরবদি। মরম অসিননি আই এন বি এ অমদি পি এন বি এ (প্রোফেসনেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন) দা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সিগী মখাদা দ্রগ টেষ্টিং তৌববু য়াম্না লূম্না, লুনা লৌদুনা চাংদম্নবা খুদিংদা দ্রগ টেষ্টিং তৌরিবা।

লোইশিল্লকপদা, খুন্নাই অমবু মশা-মউ ফনা থমসি, চাওখৎহনসি হায়রবদি খ্বাইদগী অহানবদা তুংগী য়ূম্বীরেন ওইরক্কদৌরিবা নৌরিবা অঙাংশিং, মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলবু মশা মউ ফনা থম্বদা য়াম্না মতেং ওইরিবা আই এন বি এগী নেচরেল খোঙজংবু ইরৈচাশিংনসু শৌগৎপীয়ু হায়না নোল্লুক্লা নীংশিংজরি। লোয়ননা আই এন বি এ টাইৱান নেসনলদা য়াওবীনীংবশিংনা ঐহাক্কী ফেসবুক (FB:Shantikumar Meetei Ngangbam) messenger দা পাউ ফাওবীরকউ। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অউবা অখঙবনা শাখিনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইবা অমা ওইনা ঐখোয়না চৎনসি হায়দুনা অথিংবা কয়া থল্লদুনা ফজবা চৎন-কাঙলোন শেমদুনা চৎনরি। লাইনীং-লাইশোনসু মাগী-মাগী পামজবা থম্নরি, অদুবু ফজবা লোনচৎনা লমজিং ওইনরকপগী ৱাংমদা নাকোয়ননা মীওইবা খুন্নাইবু মীওই খরনা থীহনবতা নত্তনা তাহৈ উহৈদবা ক্রাইম কয়াসু থোকহল্লি। থৌদোক ৱাথোক্লা নোংমা কাংলক্তবা লমদম ওইরকপগুম তৌরক্লি। ইমুং মনুং লৈমিন্নবদা ঙাইহাক লৈতনা ইশৌ লাংনবগা মান্ননা মপানা অমা শিল্লি, মমানা অমা তৌনি, মচাশিংনা অমা হায়নি, অমগা অমগা মোত মান্নদনা ইমুং অদু তংদু লৈতানা লৈঙমদে হায়বদু ইরমদমসি ওইরি। অদুগা নাকল অমরোমদা পোৎ চৈ, থাউ-থুম, চান-থক্লবনা তাঙলি, তোলোপ হাপকৎপা-হাপকত্তবা চপ মান্নব্রা খল্লি। মাগী মাগী চাগা চাদিংগী তুংইল্লি, তোলোপ চাদবা মীসু কোক্তা খূৎ হাপ্নবা য়াওরিবনি। তোলোপ হেল্লে হেক তাবদা নোংঙান্দে লুপা ১০ পীরম্বা পোৎনা ২০ হেক্তা পী। মমলনা অতিয়া পকই, হেনগৎখ্রবা মমলদি পাক হন্থরক্তে। ঐখোয়গীদি হেঙ্গৎখ্রবদি হন্থবা হায়বসি ইকায়নবগুম তৌরি। মসিসু করবারৱালাশিংনা মমল কাখৎ-কুমথা কুসি তৌরি। লৈনদবনিনা হেক্তা লৈনৈ অদুবু লায়রবা ইমুংদদি ফদি থারগা শুম্বগুম থোক্লিবনি। মসিদা অরৈবা-অয়োনবা অনীদি তাঙই-তাঙদে, মমল হেল্লি-হেন্দে উংখৎনৈ। অয়োনবনা গাড়ী অতোংমলদি হায়দুনা চিন্দা পাউদানবসু য়াওরিবনি। পেসেঞ্জর গাড়ীসু চপ মান্নে থাও তাঙবনা গাড়ী অতোংমল হেল্লি, মসিসু মতম মতমগীনি। অদুবু অমসু-অমসু খরদি হেমনব্রা খল্লি।

ঐখোয়গী চৎনরিবা চৎনরোল কয়াসে অরেপ্পা অমত্তা লৈতে হায়নীংই। মসি হেক্তা হায়জিনবা নত্তে, অউবা-অরৈবা, অখঙবা কয়া য়াওনরিবনি। অদুনা হিংনবা পুন্সি লম্বীদা অরৈ লৈত থোং মান্নবদি খক য়ারোই। উচেক অচৌবনা চাউনা মহুম শাবনা খুদোংচাবা হেন্না ফংবা, অপিকপনা পিক্লা মহুম শাবনা খুদোংথীবা নংবা মহৌশানি। তৌবতবু অচৌবনা মচাবু হন্থনা খন্নবগী হৈনবী অমদি লৈনরি। মসিনা খুন্নাইসিদা অঙৈং-অশাগী খল মান্নদবগুম থোকহন্দবসু নত্তে। মসিদং থাদোক্লবা ঙল্লগদি ইরমসে চাওখৎকনি খল্লি।

নাকল অমরোমদা নুপী ওইবী কয়াগী পুন্সি খোঙচৎতি য়াম্না তোল্লি হায়নবদি লৈ। ষণগী শঙ্গোল লৈতে, নুপীগী য়ূম্ফম নাইদে, ঈরাংগী লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাংনা য়ূমহোং তোই, শাগৈ মশীং নাইদবা কয়াসু লৈরাংলক্তা লৈনদবা নত্তে। অদুনা মতম মতমগী অহোংবা, ফিজেৎ, চাকচা-য়ুথক ফজবা ফজদবা হায়নবসু লৈরি। মতম অমগী নুপাশিংনা অঙাং ওইরিঙৈদগী লৈজ-লৈজবা খুদৈ মচা, ফৈজোম শেৎনদুনা শান্ন-খোৎনবা, নাম্মৈ তাখৎনদুনা মুক্লা শান্নবা অসি চৎনবী ওইনা তৌনৈ। খুদৈনা নম্না শীজিন্নবা, কুম্মৈ ফিয়োং য়েংবদসু শেত্তুনা য়েংনরম্বদা ইকায়নবা লৈনরমদে। হৌজিক্তি নুপা মচাদগী অহল ফাওবদা খুদৈ হোংদনা খোঙ্গ্রাও শেৎতুনা চাক চানরে, নুপী ওইবী কয়াসু নুপাগী মতৌ তমদুনা খোঙ্গ্রাও শেৎপা, মীরমগী ফিজেৎ শেৎতুনা লৈনবনা ইরমগী ফনেক শেৎপা ফাওবা নিংথিনা হৈতবা য়াওনরক্লি।

অমরোমদা মতম অমদা সঙ্কীতন্দা নুপীনা শৈশক্লবসু তৌনরমদে। নুপানা লুহোংবগী শৈশকনৈ, লৈ চাইবা, লৈ কোয়বা, কৈন্যা চিংবসু নুপানা লোইনা তৌনরম্মী। অদুবু মতমগী য়াওলনা নুপীনা অয়াম্বা ঙসিদি শৈশক্লরে। মসিদা নুপীনা শৈশকপদসু লৈশাবী, মৌ খঙনদ্রে। লৈশাবীনা শেৎকদবা মৌনা শেৎকদবা লৈতেংদা মৌ লৈশাবী খাইনদ্রে, মৌ ওইবনা ফিদোল চিংখৎতনা সঙ্কীতন শকপা অয়াম্বনি। অদুবু পঞ্জনীংবদি মৌনা মৌগী ফিজেৎ, ফিদোল চিংখত্তুনা মৌনি, লৈশাবীনি খঙহনবদা করি অকায়বা লৈবগে? লৈশাবীনা খোইখা শেৎপা, অপা-অরাক ফিজেৎকী মতৌ তম্বনা অয়েংবা-অউবা কয়াদা নুংঙাইতবা ফাওরমগনি খল্লি। অদুগা অমরোমদা সঙ্কীতন অমগী ভাবক ওইবীগনি লাক্লিবা মীওইসু ঈশৈ শক্লিবা শৈশকপা, শৈশকপীশিংনা সঙ্কীতন লোইজরে পাউতাকপা ওইনা খুরুম্বা লাক্ক্রিঙৈ ফুক ফুক হৌগৎতুনা চৎখিবা, লুহোংবা ওইরগনা নুপী ময়ূম, নুপা ময়ূম অহল মশেল ক্বা লান্নবা লোইদ্রিঙৈ ফম্ফমদগী লেংখিবা হায়বসিসু ভাবক ওইরিবা অদুগী মগুন ৱাৎপ্রা খঞ্জে। অখঙবা মীনসু তুংদা শোয়দনা ঙাঙনরমগনি খল্লি, তৌহঞ্জনীংদে। অদুবু মী মীগী অনীংবা অপাম্বদি কনানা থিংলুনি, মশানা ৱাখল তাজবা নত্তনা। তৌবতবু লমদমসিগী চৎন-কাঙলোন খঙনা ফমহঞ্জনীংই। শেল থারকপখক্কীদা খন্দবনা ভাবক ওইহঞ্জনীংই, নুংঙাই য়াইফ তানখৎচরকপা ইমুং মনুংগী খন্দুনা সঙ্কীতন মগুন লৈহনসি। মসিদা ঐতনা হায়জিনবা নৎচদে 'অউবা অখঙবনা শাখিনি'। অদুনা ঐখোয়না ফজবা চৎনবী কয়াগী মরক্তা ভাবক্লা কাঙলোন চুম্না ফজবগী মতেং খরদং ওইরবসু পাংমিন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূত্থাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-B/6802/21/2-22/3

## OFFICE OF THE ALL MANIPUR BAR ASSOCIATION, IMPHAL

### ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

The 17th March, 2021

As per Resolution passed by the Executive Committee Meeting of All Manipur Bar Association (AMBA for Short) held on 16.03.2021, the Annual General Body Meeting of AMBA for the year 2021 is fixed on 11.04.2021 and as such, the same is hereby brought to notice of our ld. members. The said Annual General Body Meeting will be held at Cheirap Court Complex and will start at 9.30 a.m. sharp. In the said Meeting the Agendas below given will be discussed and transected.

AGENDA :-

1. Consideration and adoption of the Annual Report and Audited Annual Statement of Accounts and Balance Sheet for the years 2019-2020 and 2020-2021;
2. Election of the New Office Bearers and Executive Committee Members for the term 2021-2023;
3. Appointment of Returning Officer for election of New Office Bearers and Executive Committee Members if contested;
4. Fixation of date for election if contested;
5. Pay scale, increment and other allowances of Employees of AMBA.
6. Misc. with the permission of the chair.

**Sd/- Th. Mahira Singh**
Secretary, AMBA

HL-P/9335/18

## ꯈꯪꯍꯟꯕ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুবগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

*Form No. 4*

## ꯀꯣꯔꯠ / Court of NDPS, Manipur

IN THE COURT OF Lamkhanpau Tonsing
**Judge, ND & PS Court, Manipur**

**PROCLAMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED**

**Spl.T/1671/2013**
**State Of Manipur Vs Mr. Micheal John /13(5)/1999**

**(See Section 82)** **NEXT DATE : 20-04-2021**

PUBLISHED THROUGH
**Officer Incharge of Police Station/Police Station Officer IMPHAL**
**NAB P.S., MANIPUR**

WHEREAS complaint has been made before me that **Mr. Micheal John**, Age-0 years, R/o. - **Aged about 51 years now, S/o Micheal Peter of Moreh Ward No. 6, Tengnoupal District, Manipur** has committed (or is suspected to have committed) the offence of punishable under section **21** of the **Narcotic Drugs and Psychotropic Substances Act,** and it has been returned to a warrant of arrest thereupon issued that the said **Mr. Micheal John** cannot be found, and whereas It has been shown to my satisfaction that the said **Mr. Micheal John** has absconded (or is concealing himself to avoid the service of the said warrant);

Proclamation is hereby made that the said **Mr. Micheal John**, Age-**0** is required to appear at **Court of NDPS, Manipur** before **Judge, ND & PS Court, Manipur** to answer the said complaint on the day of **20-04-2021**.

Dated, this day of **05-03-2021**

**Sd/- Judge, ND & PS Court, Manipur**

HL-P/9336/18 & 19

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / খোঙ তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিং মচিং হান্বা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই চানা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোকপা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোং মনুংদগী মপালদা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ তোয়না হান্বা, অমাংথোংদা নুংশিৎসু য়াম্না তোয়না চৎপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, খোঙ অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিং মচিং হান্বা, লম চৎকনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা খোঙ তোয়না হান্বা অদুনা মরম ওইদুনা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, মনাং য়াওরকপগা হকচাং চোকথবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদু হিদাক চারবসু খকউ য়াদবা, ঈ লেপ্তনা তাবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাশিল্লকপা, হকচাং অসি শোন্থরকপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই চানা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোক্লগা থাগৎলকপা, অমাংথোংসু লুম লুম লাউরগা লৈবা, মরক মরক্তা অমাংথোংদা চিক্লি চিক্লি তৌরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোং মনুংদগী মপালদা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/18 *থাগৎচরিবা :* **Th. Binod Singh,** Wangkhem

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 186/SDC/SWG of 2021**

Parties :
Thounaojam Nanao Singh, S/o. (L) Gulamjat Singh of Khurai Chingangbam Leikai (an area of 1.59 acre out of 2.21) acre.

- Petitioner

-Vrs-

Late Pattadar :
1. Thounaojam Gulamjat Singh, S/o. (L) Chaoba Singh of Khurai Chingangbam Leikai
Other Co-Pattadar :
2. Chiranjib Austin Khuraijam, S/o. Ratankumar of Chingangbam Leikai (an area of 0.62 out of 2.21)
-Opposite Parties

### ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Sawombung, the 17th March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং ৬৯-কামেং পাট্টা নং ১৩২ (অরিবা) ১০৬ (অনৌবা) দাগ নং ৩০২ মোট এরিয়া ১.৫০ আউট ওফ ২.২১ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার থৌনাওজম গুলামজাৎ মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চখ্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/9338/18

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / অমাংথোং মপাল অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খাংবা ঙমদদুনা খোৎলুবা মতমদা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোরকপা, চাউথোকপা অদু ঙাইহাক লৈরগা অমুক হঞ্জিনখিবা, নুমীদাং তুম্বা মতমদা অমাংথোং মনুংদগী তিনকুপ থোক্লকপা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খাংবা ঙমদদুনা খোৎলুবা মতমদা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোরকপা, চাউথোকপা অদু ঙাইহাক লৈরগা অমুক হঞ্জিনখিবা, নুমীদাং তুম্বা মতমদা অমাংথোং মনুংদগী তিনকুপ থোক্লকপা, তিনকুপ অদু খুৎনা ফাদোকপা, অমাংথোং মপালদা চনম মরুমুক চাওবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, অদুগী মনাক্তা মচা অমা অমুক পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু থেংবদা য়াম্না নাবা, খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদু অমুকসু ফখিবা, অমুকসু তারকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, অচম্বা চারিবমখৈ ফবা, থজিন শাওগৎপা, কোক ঙাওবা, খোঙ হান্বা মতমদা লৈকাংগুম্না অমুবা মচুতা হাল্লকপা, ঈশিং চৎপদা মতম কুইনা চৎপা অদুনা য়াম্না থুপ্পা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙ-খুৎ শজিং তোয়না হৌবা, করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খুৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/18 *থাগৎচরিবা :* **Kh. Amuba Singh,** Uripok

## ꯈꯪꯍꯟꯕ / OPERATION তৌদনা ওজা ABDUL HAK কী হিদাক চাজবদগী ফজরে

ঐহাক পাইলসনা নাদুনা চহী ৬ য়াম্না ৱানা লেল্লকখি। লায়েংবা য়াবা লায়েংখি অদুবু ফবদি ঙমখিদে। পাউচেসিদা ওজা কবিরাজ Abdul Hak Contact No. : 8794429681/8014623756 পু থেংনজবদগী মহাক্কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঙসিদি পাইলসকী অনাবশিং- খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, শৌজদা পেরে থোকপা, অমাংথোং ময়াদা চেখায়বা অমসুং হাক্কৎবা, ঈ তাবা, পুক নাবা, থবাক ফুনবা, ঙকশম মরি নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অমসুং খ্বাং নাবনচিংবগী অৱাবশিং কোক্লে। হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি। মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা মপুং ফানা তৌবীখো হায়না মপুদা থৌনিজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

*থাগৎচরিবা :* **L. Hemanta Meitei**
Kakching Khunou

HL-P/9095/18